# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 14-01-2026)**

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপ কে.ৱাই.কে.এল. (সোরেপা) কাংলুপকী হকচিনবা মীওই অহুম ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী ঙরাং ফারে।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা চিংনবা মফমশিং অমসুং নমদুনা শেল খায়বা থিংনবা পাক শন্না থিবা হুন্বগী থবক চখুখি। মদুদা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী কাংঙন্বম লৈকাই, ক্বাকৈথেল থোকচোম লৈকাই অমসুং ক্বাকৈথেল বজারদগী মীওই অহুম অদু ফাগৎখিবনি। মখোয়দগী মোবাইল ফোন অহুম, সিম কার্ড মরি, শেল ওইনা লুপা লিশিং তরুক অমদি চাকা অনি পানবা গাড়ি অমা ফংলে। মখোয় তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বা অমসুং মখোয়গী লুপতা য়াওহন্নবা মীওইশিং খোমগৎপদা চেন্নবনি হায়রি।

মনিপুর পুলিসকী কন্ট্রোল রুমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্যগী ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট অমসুং ইগজকিটিব মেজিষ্ট্রেটশিংগা লোয়নননা সেনাপতি পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা সদিম হিলস রেঞ্জতা পুন্না একর ৩০ রোমদা থারম্বা পোপী পাম্বীশিং য়াম্থৎতুনা মাঙহনখ্রে। মফম অদুদা শারম্বা খাঙপোকশঙ অনি, পোপী চারাশিং অমসুং মরু-মরাংশিং মৈ থাদোক্তুনা মাঙহনখি।

সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবুনা রাজ্যগী ফোরেষ্ট বিভাগকা খুৎশম রগা চানেদল জিলাগী চকপিকারোং পুলিস ষ্টেসননা কোনবা গোভোক হিলস রেঞ্জতা পুন্না একর ৬৫ রোমদা থারম্বা পোপী পাম্বীশিং য়াম্থৎতুনা মাঙহনখি।

নেসনেল হায়ৱে ৩৭, ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীদা পোৎ থন্না য়াওরবা গাড়ি ১৬৫ সেক্যুরিতিগী অকনবা ঙাকশেল থৌরাংগা লোয়নননা ইম্ফালোমদা পুথোরকখ্রে। লম্বী অসিদা অশোয় অঙাম থোক্তুনা গাড়ি চৎথোক চৎশিন

য়াহন্নবা সেক্যুতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলে। চিংনবা মফমশিংদা সেক্যুরিতিগী কনভোই থমদুনা মীকুপ নাহুমশিংনা শেন্নরি হায়রি।

**ভেটরান(এল)ঃ** ১০ শুবা আমর্দ ফোর্সেস ভেটরান্স ডে ২০২৬, ঙসি মনিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিবলপমেন্ট সোসাইতি (এম.এস.এফ.দি.এস) কী পেলেস ওদিটোরিয়মদা পাঙথোক্লগনি।

থৌরম অসিদা রাজ্যপাল-অজয়কুমার ভালা, চীফ সেক্রেটরি-ডা: পুনিত গুমার গোয়ল শরুক য়াগনি।

**গেমস (এলঃ)** ঃ ৬৯ শুবা নেসনেল স্কুল গেমস চেম্পিয়নসিপ-২০২৫-২৬, ঙসি ইম্ফালগী খুন্মন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা রাজ্যপাল-অজয়কুমার ভালানা হৌদোক্লগনি।

মথং থাগী অহুম ফাওবা চথুগদবা চেম্পিয়নসিপ অসি মনিপুর সরকারগী য়ুথ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টস বিভাগনা শিনবনি।

**বেতি (এলঃ)** ঃ বেতি বচাউ, পরাউ পরাউ হায়বা স্কিমগী মতাংদা দি.পি.ও. আই.সি.দি.এস. সেল, জেট. ই.ও. জোন টু অমসুং দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ইম্ফাল ইষ্টনা শিনদুনা এসে চাংদমবা অমা ঙরাং ইম্ফাল ইষ্টকী পৌরাবীদা লৈবা জেম পব্লিক স্কুলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মরী লৈননা আই.সি.দি.এস. সেলগী দি.টি.ও. দি. সোনামনি শর্ম্মানা হায়-অফবা সমাজ অমা শেম্বদা নুপীশিংগী চাউরবা থৌদাং লৈ হায়বসি ঐখোয়না কাউরোইদবনি। স্কিম অসিনা নুপীমচাশিংদা পীরিবা কান্নবশিংগী মতাংদা শন্দোকা ফোংদোকখি। করিগুম্বা নুপীমচাশিংদা খুদোংচাদবা মায়োকরবদি হেল্প লাইন নম্বর-১৮১ দা ফোন তৌরকপা য়াগনি। মহাকা হায়-

থৌরম অদুদা, আই.সি.দি.এস.ষ্টাফ, দি.সি. ওফিসকী ষ্টাফশিং, ওজাশিং

অমসুং মহৈরোইশিং শরুক য়াখি।

**অমিতঃ** গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা হায়রি-নহাশিংনা মহৈ মশিংদা থৱায় য়াওবা খক নত্তনা লৈবাক অসিবু ইং ২০৪৭ ফাওবগী মনুংদা ভিক্সিত ভারত ওইহন্নবা হোৎনবদা কৎথোকপগা লোয়নননা অচৌবা থৌদাং লৌগদবনি।

আনন্দা লৈবা চরুসাত য়ুনিভরসিতিগী ১৫ শুবা চহিগী কনভোকেসনদা শরুক য়ারদুনা গৃহ মন্ত্রিনা হায়-অমৃতকালগী মতম অসিদা লৈবাক অসিবু মালেমগী তমজনফম ওইবা লৈবাক অমা ওইনা শেমগৎপা হায়বসি নহাশিংগী খুত্তা লৈ। মহাকা হায়-কেন্দ্র সরকারনা হৌদোকখিবা নেসনেল এদুকেসন পোলিসি ২০২০ না লৈবাক অসিগী নহাশিংগী গ্যান লৌশিং নীংথিনা হেনগৎহল্লে অমসুং মখোয়গী হৈ-শিংবা কয়ানা মালেমগী লৈবাক কয়াদা মশক থোকা উৎপা ঙমলে। লৈবাক অসিগী স্তার্টঅপ ইকো সিষ্টেমনা নহাশিংনা থবক থিরম্বদগী হৌজিক্তি থবক পীবরোমদা মায় ওনশিনবা হৌরক্লে। অত্মা নিরভর ভারতকী মায় পাকপা থৌশিল থৌরাং কয়ানা লৈবাক অসিগী ঙাকশেল, স্পেস অমদি অতৈ টেকোলোজিগী সেক্তরশিংদা শিংথানিংঙাই ওইবা থৌদাং লৌবা ঙমলে। জাতি অসিগী অপুনবগী শক্তম ঙাকবা নহাশিংনা হোৎনবগী তঙাইফদবা অদুসু গৃহ মন্ত্রিনা ফোংদোকখি।

**জেকেঃ** আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপশিংগা মরী লৈনৈ হায়বগী মরালদা জম্মু কাশ্মিরগী সরকারগী কর্ম্মচারি মঙা উপ রাজ্যপাল-মনোজ সিনহানা থবক্তগী লৌথোকখ্রে।

অকাশবানি জম্মু পাউমীনা হায়-থবক্তগী লৌথোকখ্রবা কর্ম্মচারিশিং অদু সরকারগী স্কুলগী ওজা অমা, লেবোরেটোরি টেকিসিয়ান অমা, এসিষ্টেন্ট লাইন মেন অমা, ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী কর্ম্মচারি অমা অমসুং হেলথ এন্দ মেদিকেল এদুকেসন দিপার্টমেন্টতা দ্রাইভর ওইবা অমনি।

দ্রাইভর অদু শ্রীনগরগী সেন্ট্রেল জেলদা ফাজিন্দুনা থমলি। মহাক পাকিস্তানদা বেজ তৌবা হিজবুল মুজাহিদিনগী ওভর গ্রাউন্দ ৱাকর ওইনা থবক তৌরম্বদগী ফাগৎখিবনি অমসুং থবক্তগী লৌথোকখিবনি হায়রি।

**আর্মিঃ** ভারত লান্মীগী মকোক-জেনরেল উপেন্দ্র দ্বিবেদিনা হায়রি-জম্মু কাশ্মিরগী মনুং চন্না লৈবা সক্সগাম ভেল্লিগা মরী লৈননা চাইনা অমসুং পাকিস্তাননা ইং কুমজা ১৯৬৩ দা য়ান্নখিবা ৱাফম অদু আইননা য়াদে।

পাউমীশিংনা হংবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা জেনরেল দ্বিবেদিনা হায়-সক্সগাম ভেল্লি অসি হৌজিক ভারতকী শরুক অমা ওইরি। লৈবাক অসিনা মসিগীদমক লেপলি। চাইনা অমসুং পাকিস্তাননা সক্সগাম ভেল্লিদা মখোয়গী থবক থৌরম অমত্তা চথবগী অয়াবা লৈবাক অসিনা পীরোই। মহাকা হায়-চাইনাগা লোন্নবা লাইন ওফ একচুয়েল কন্ট্রোলদা হৌজিক ফিভম ফনা লৈরি। অদুমওইনমক, কুপা য়েংশিনবগী তঙাইফদবদি অদুম্মক লৈরি।

জেনরেল দ্বিবেদিনা হায়-হৌখিবা মে ১০ দগী জম্মু কাশ্মিরগী নোংচুপ থংবা শরুক অসি চেকশিন্না শেন্নদুনা লাকখিবনি। হৌজিকসু মখা তানা শেন্নরি। হৌখিবা চহিদা মফমশিং অদুদা টেরোরিষ্ট ৩১ হাৎখি। মখোয়গী মনুংদা পাকিস্তান মচা কয়া য়াওরম্বা থেংনখি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

অপুনবগী থৌদাংদগী শান্তি হনজিল্লকপা হৌরে হায়না গভনর-অজয়কুমার ভালানা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ার্সকী এদভাইজর-(এন.ই) এ.কে মিশ্রা ইম্ফালদা লৈরি, কুকি এম.এল.এশিং গভর্নমেন্ট শেম্বদা য়াওদৌরি হায়না সঙাই এক্সপ্রেসকী এদিসন অনিমক্তা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা-চিন কুকি নার্কো টেরোরিষ্টশিং শিজিন্নরগা মনিপুরদা লান্দারক্লিবসিগী মায়োক্তা জানুবারী ৩১ দা মীয়ামগী খোঙচৎ চৎলগনি হায়না কোকোমিনা ফোংদোকখিবা ৰাফমনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। লৈঙাক্কা য়ান্নবা পুরকপদগী ওইল পম্পশিং মহৌশাগুম হাংবা হৌখ্রে হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিগী অহানবা লামাইদা ফোংবা থেংনরি।

ইং ২০২৭ ফাওবদা কুকিশিংগী দিমান্দ পীগদবনি হায়না পুন্না ৰারেপখ্রে। কুকি জো তাবা মফমশিংদা ঙসি পাক শন্না খোঙজং চংশিনগদৌরি হায়বা পাউনা সনা লৈবাক পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুর মেলদা-মনিপ্ৰ ইলেক্ত্রিসিতি রিগুলেটরি কম্মিসনগী চেয়ারমেন-সৌবাম ইবোপীশকনা ওইরগনি হায়বা পাউনা পাউচে অসিগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

লমদমসিদা খুন্দারিবা কম্যুনিতি খুদিংমকা তংদু লৈতাবা হনজিল্লকবা হোৎনমিন্নবা চংই হায়না গভনরনা ফোংদোকখিবা ৰাফমনা নহারোলগী থৌদাংগী পাউচেগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

পিপলস ক্রোনিকলদা-দাইরেক্তোরেট ওফ এদুকেসন (এস) না জোনেল এদুকেসন ওফিসারশিংদা এন.সি.ই.আর.টি. স্কুল বেগ পোলিসি ২০২০ খুদক্তগী চৎনহননবা স্কুলশিংদা খঙহনখিবগী পাউনা পাডচে অসিগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

লমদেংগী সোলিদ ৱেষ্ট মেনেজমেন্ট প্লান্টকী মেছিনারিশিং মপুন্সি লোয়খিবনা অমোৎ অকায় লংথোকফমদা খুদোংচাদবা কয়া লাক্কদৌরি হায়বা পাউ-পোকফমগী এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

হিল হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা-কুকি জো কাংবুনা কাংপোকপীগী এস.পিদা লিয়াংমৈ নাগানা লম্বী থিংলিবদু হন্দোকপীয়ু হায়না মেমোরেন্দম অমা পীশিনখিবগী হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। পাউ অসি গানফিয়ু মেলদনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

অপুনবা মনিপুর পেট্রোল্লিয়ম দিল্লরস ফেরটরনিতিনা মখোয়গী দাবীশিং তকশিন্দুনা পেট্রোল পম্পশিং থোং লোন্দুনা লাকখিবা অদু সরকারগা য়ান্নবা পুরকপদগী ঙরাংদগী মহৌশাগুম পম্পশিং হাংবা হৌনরে হায়বা পাউনা তমেংলোং টাইসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি।